থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

ঐখোয়, লৈবাকসিগী মরল্লা ? লৈবাকসিদা পোৎলুমলা? -১

'বাইবল'দা য়াওবা ৱারী 'গোলিএথ' অমসুং 'দেবিদ' কী ৱারী - অঙাং ওইরিঙৈগী লাইরিকশিংদা পারকখিবদু ঙসিদি কনাসু খঙনরল্লরোই (তানরল্লরোই), মাগী-মাগী ধর্ম্মগী ৱারী-লাইরিক নত্তবা অমা লামশিন্দুনা পানদ্রবনা, ঐখোয়না পারকখিবদুদি বাইবলগী ৱারীনি খঙলগা পারকখিবা নত্তে। অঙাং ওইরিঙৈ হায়বসিমক্তবু ৱারী তানীংইদনা। ইমা-ইনে-ইবোকশিংনা শীন-লাংলগা নুমিৎ কয়ানি চঙনা লীখিবা মহাভারত/রামায়নগী ৱারী তারকখিবদু হিন্দুশিংগী ৱারীনি খঙলগা তারুবা নত্তে। ৱারীদুগী নুংঙাইবা লৌরুবনি।

দেবিদ অমসুং গোলিএথ'কী ৱারীদা য়াওরিবা 'ইজরেলি' অমদি 'ফিলিষ্টিনি' হায়রিবদু ঙসিগী 'ইজরেল' অমসুং 'পেলেষ্টাইন' অনী য়েংথিনরিবা অসি 'হিষ্টরিকল ওরিজিন অদুনি হায়বদি কোন্না পাখঙ-ফার' - মতুংদা পারুরগা খঙলকপনি। কোরৌ নুমিৎ নিফু (৪০) নি, নোংমতা কাংদ' অয়ূক-নুংথিল নাইদনা, ফিলিষ্টিনিশিংগী অকনবা হিরো, মীজাও-মীশাঙ 'গোলিএথ'না ইজরেলিশিংবু শীংনৈ, ওৎ-নৈ। ইজরেলগী রুল্লর 'সৌল'গী মফমদা গোলিএথ'কুম্বা অকনবা, হিংচাবগুম্না মীজাও-মীশাঙ অমগা মায়োক্নবা থৌনা লৈরমদে। চহী ১৭ (তরাতরেৎ) খক্তা ঙায়রিবা য়াও-শেনবা দেবিদ'না নোংমা হায়, 'ইজরেলিশিংনা করিগীনো মাগা মায়োক্নদ্রিবা'? ইজরেলিশিংনা খুম্মী, 'অসুক চাউবা, অকনবা-অথৌবসিদবু করম্না ঐখোয়না খূৎ থাদৌরিবনো'? দেবিদনা খুমখি, 'ৱাখল অদু ওন্নরে-অসুক চাউবা হকচাংসিদা ঐখোয়না খূৎ থাবদা করম্না পাল্লোইদৌরিবনো হায়গদবনি'। গোলিএথকী চেল্লেঞ্জদু দেবিদ'না য়াখি। মায়োক্নখি। গোলিএথকী লুরেন ককখি। করম্না মায়োক্নখিবা - ৱারীদুদি পাবীরুরো থিদুনা।

ৱারীসিবু ঐহাক্না 'থম্মোয় পাউদম' গী ৱাহৌ ওইনা তম্লুরিবা করিগীনো? হংবীরক্কনি অদোম্না। অতৈগী নত্তে। 'সৌল' গী লৈঙাক হৈতবা, মতিক চাদবা লৈঙাকপা অমগী মতৌদু উৎথোক্নবা হোৎনরুবসু নত্তে। দেবিদকী হৈ-শিংবা মতৌ উৎনীংলুবসু নত্তে। মহাক্কী 'এত্তিচ্যুদ' অদুগী ৱারীনি। 'অকনবা-অচৌবা হকচাংদুদা করম্না খূৎ থারুদৌরিবনো' কিরম্বা ইজরেলিশিংদুদা 'অচৌবা হকচাং অদুদা খূৎ থারুবদা করম্না পাল্লোইদৌরিবনো'? মান্নদবা 'এত্তিচ্যুদ' অদুনি। পোজিটিব থিঙ্কর অমদদি 'এত্তিচ্যুদ' হায়বসিনা মায় পাকপগী লম্বীগী মায়ওন ওইহল্লি, নেগেটিব থিঙ্কর অমদনা লম্বীগী খুরৌ ওইহল্লি। তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা মায় পাক্লবা মীশক অমনি হায়না শীংথানরবা মী কয়ানা হায়নরবা, নেপোলিয়ন হিল'না মাগী লাইরিক্তা শীজিন্নরম্বা ৱাহায় অমা লৈ... 'ঐখোয় খুদিংমক্কী পুন্সিদা লাকখিবা/থেংনখিবা 'প্রোব্লেম' (সমস্যা) খুদিংমক 'ওপ্পোর্চুনিতি' অমগা লোয়নরগা লাকখিবা ঙাক্তনি ... লুরিবদি, খুদোংচাবা মীকূপ অদু খুদোংচাদবা মীকূপ অদু থেংননবা হোৎনরিঙৈ খঙহৌদে'...।

'এত্তিচ্যুদ' হায়বসি 'ইরোন'দা ৱাহৈ অমনা মহুৎ শিনবা য়াবা ৱাহৈ ফংদদুনা ইংরাজি ৱাহৈ অসিমক অদুম শীজিন্নরে। ৱাহন্থোক্তি 'ৱাখল-খূৎখন' হায়না শম্না হনবসিনা খ্বাইদহৈ চূনবা ৱাহৈ ওইবা তাই। চপ-চাবা ৱাহন্থোক্তুদি তাফাত্তবরা খন্দুনা মীগী মরোন, ইংলিস ৱাহৈ ওইনা শীজিন্নজবনি।

মালেমসিদা লৈরিবা মী পুম্নমক অসি অমগা অমগা কনাসু ৱাখল মান্ননা খন্দে। মী মান্নদবদুনা ইমুং অমগা অমগসু মান্নদে। মশীং খঙদনা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অসিসু মায় পাকপগী চাং অমগা-অমগা অমত্তা মান্নদে। মরম অসিনা, লৈবাক অমগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট (প্রোভিন্স) শিং অসিগী থাকসু অমত্তা মান্নদে। লৈবাক অমগা-অমগা চাওখৎপগী থাক মান্নদ্রিবা, লমশিংদুদা লৈরিবা মীশিং অদুগী মান্নদবা এত্তিচ্যুদ অদুদগীনি। খুদম ওইনা, ইন্দিয়নশিংগী নুংঙাই-য়াইফবগী থাক অসি, নোংচুপলোমগী মতৌ তমদুনা, জি দি পি (গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ত) না পাদম ওইদুনা লেপ্পী। য়ূমলোন্নবা লৈবাক 'ভুটান' গীদি 'গ্রোস স্পিরিচ্যুঅল ইন্দেক্স' (জি এস আই) না পুন্সিগী থাক লেপ্পনফমনি।

'এদ্যুকেসন' - মীওইবগী লৌশিং পূক্কে হেনগৎহনবা - হায়বা হীরম অসি ঙসিদি 'হ্যুমেন রিছোর্স' হায়না খঙনরে। 'মীওইবা হায়বসিদগী হেন্না মমল লৈবা অতোপ্পা লন অমা লৈতে' হায়বসি অনৌবা মীরোল অসিগী অনৌবা ৱাখল্লোন্নি। মরমসিদগীনি 'হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট' অমসুং 'হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজমেন্ট' হায়বা হীরম অমা পুথোক্লক্লিবা। অদুবু, লাইবক থীবদি - ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা হীরম অসিগী মরু ওইবা (ইমপোর্টেন্স) খঙনদবা অসিনি।

লৈবাক অমগী ইকোনোমি ফগৎলকপা নৎত্রগা ফৎচিল্লক্তবা হায়বসি লৈবাক্তুগী নেচরেল রিছোর্সকী মখা পোন্দে, হ্যুমেন-রিছোর্স-ক্বালিটি'দুগী মখা পোল্লি। য়াম্লবা চাইনাগী মীশিংদু ক্বালিটি য়াওদবা মী ওইরিঙৈ মীমান্নদবা লৈবাক ওইরম্মি। ঙসি, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম মায় পাক্না পাঙথোক্লবা, মেনেজমেন্ট'সু নীংথিনা তৌবা ঙম্ল'-মতুংসিদদি মালেমগী ইকনমিক সুপর পাৱর ওইরক্লিবসিনি। ইন্দিয়াগী য়াম্লবা ক্রোর চাম্মা কুম্থ্রামঙাগী হ্যুমেন রিছোর্স অসি 'এসেট' (লন) ওন্থোকপগী মহুত্তা 'লাইএবিলিটি' (মীগী তোনবা মরল) ওইদুনা লৈবদুননি ইন্দিয়াগী ইকনমিক ইঞ্জিন'না মনীং হন্দুনা চৎলিবা। মীশিং য়ামখিদ্রবা সিঙ্গাপোরগী 'হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইন্দেক্স' - মালেমগী লৈবাক ১৮৯গী মনুংদা ৯শুবদা লৈরগা ইন্দিয়ানা ১২৯শুবা মফম কল্লিবনি। ইন্দিয়াগী পাক চাউবা স্কোয়র কিলোমিটর ৩২,৪৭,২৬৩নি, সিঙ্গাপোরগীনা শুপ্নগী ৭২৫নি। মীশিংসু লাখ ৫৬.৪ খক্তা। সিঙ্গাপোরগী চাওখৎপগী থাক অসি ইন্দিয়ানা তানখৎপদা চহী ২৫ চঙখিনি - এক্সপর্টশিংগী মতনি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদা লৈরিবা মীকোক খরা অসিগী হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইন্দেক্স অমুক্তং নৈনবা কান্ননি। ঐদি খল্লি - খ্বাইদগী হন্থবা থাক্তুদা লৈরমগনি শোয়দনা।

লৌশিং পুক্কে

নুমিদাংগী চাক্লেন ঙন্না চাবনা ফেট বর্ন তৌবা অমসুং ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙম্মী : ষ্টদি

অনৌবা ষ্টদি অমদা নুমিদাংগী চাক্লেন চাবা মতম থেঙবনা কেলোরি য়াম্বা য়ামদবগা মরী লৈনদনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং হেনগৎলি হায়না খঙবা ঙমখ্রে।

নুমিদাংগী চাক্লেন পুঙ ৬তা চাবগী মহুত্তা পুঙ ১০ তারগা চাবনা ঈদা য়াওবা গ্লুকোজ অমসুং ফেট বর্ন তৌবা ঙম্বগী চাংদা অকায়বা পীবা য়াই।

ষ্টদি অদুদা, নুমিদাংগী চাক্লেন ঙন্না চাবা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা থেঙনা চাবা মীওইশিংনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং চাদা ২০ লোম হেন্না ৱাংবা অমদি ফেট বর্ন তৌবগী চাংনা চাদা ১০ রোম হন্থবা থেংনখি।

হান্না লৈরম্লিবা ৱাখল্লোনগী মতুংইন্নদি চানীংবা মতমদা চারবসু ঐখোয়না শীজিন্নরিবা কেলোরিগী চাংদগী চাশিল্লিবা কেলোরিগী চাংনা হেল্লবদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলি হায়বসিনি। ন্যুট্রিসনিষ্টশিংনা মসিবু 'কেলোরিজ ইন, কেলোরিজ আউট থিওরি ওফ ৱেথ কন্ট্রোল' হায়না খঙনৈ।

অদুবু ঐখোয়না চাবা-থকপা তৌবগী মতমনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহনবদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌই হায়বা অনৌবা রিসার্চ অমদগী খঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দোক্রাইন সোসাইটি'স জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল ইন্দোক্রাইনোলোজি এন্দ মেটাবোলিজমদা পল্লিস তৌখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না হান্না চাবগা চপ মান্নবা মওংদা চারবসু অথেঙবা মতমদা নুমিদাংগী চাক্লেন চাবনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহল্লি অমদি ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং হেনগৎহল্লি হায়রি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়ট প্রোফেসর ওফ মেদিসিন ডা. জোনাথন সী. জুননা হায়, থেঙনা চাবগা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎপগা মরী লৈনৈ হায়না তাকপা অতোপ্পা রিসার্চশিংগী মরমদা ঐখোয়সু খঙই, অদুবু মরী লৈনবা হায়বসিগা তশেংনা হেনগৎহনবা হায়বসিগা চপ মান্নবা নত্তবনা ঐখোয়না মসিগী মরমদা হেন্না মমুৎ তানা খঙবা পামখি।

থেঙনা চাবনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্নবা মওংদা মেটাবোলিজমবু তশেংনা হোংহনবরা হায়বা অদু রিসার্চ টিম অদুনা খঙবা পামখি হায়না পল্লদুনা জুননা হায়, মরম অসি লৈবনা ক্লিনিকেল্লি কন্ট্রোল তৌবা রেন্দমাইজ ট্রায়ল অসি তৌনবা ঐখোয়না হোৎনখিবনি। ট্রায়ল অসিদা মশা-মউ ফবা মীওইশিংবু তোঙান তোঙানবা মতম অনীদা চাহল্লি, মখোয়গী চীঞ্জাক, মখোয়গী দাইট, লোয়ননা মখোয়গী তূম্বগী মতম্সু কন্ট্রোল তৌখি।

জুন অমসুং মহাক্কী টিমনা মশা মউ ফবা ভলন্টিয়র ২০ (নুপা ১০, নুপী ১০)বু নুমিদাংৱাইরম পুঙ ৬কী মহুত্তা নুমিদাং পুঙ ১০দা ওইনা চাক্লেন চাহন্দুনা মদুদা মখোয়গী হকচাংনা করম্না মেটাবোলাইজ তৌবগে হায়বদু খঙনবা হোৎনরম্মী।

পার্টিসিপেন্ট পুম্নমক অদু নুমিদাংগী পুঙ ১১দা চপ মান্ননা তূমহল্লম্মী। ষ্টদিগী ফাইন্দিংশিং অদুনা উৎখি মদুদি, মীওইশিং অদুনা হান্না চাবা চাক্লেনগা চপ মান্নবা মওংদা চারবসু থেঙনা চারবদি ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং ৱাংখৎলকই, অমদি ফেট বর্ন তৌবগী চাং হন্থরকই।

জুননা হায়, ঐখোয়না মসিদা থোইদোক্না অঙকপা পোকখিদে। অতোপ্পা রিসার্চরশিংনসু সর্কেদিয়ন রিদম অমসুং দাইটকী মতাংদা চপ মান্নবা থৌওং চথখ্রে, অমদি অতোপ্পা লেবোরেটরিশিংনসু হকচাংগী মশাগী ওইবা মতম (নোর্মেল সর্কেদিয়ন রিদম)গা চান্নদনা চাবা থকপা তৌরবদি হান্নগা মান্নদবা মওংদা গ্লুকোজ শুংলক্কনি হায়বা উৎখ্রে।

নুমিদাংগী চাক্লেন ঙন্না চাবা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা থেঙনা চাবা মীওইশিংনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং চাদা ২০ লোম হেন্না ৱাংবা অমদি ফেট বর্ন তৌবগী চাংনা চাদা ১০ রোম হন্থে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিদা পোষ্টদোক্টরেল রিসার্চর ওইবা চেঞ্জুৱান গুনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ষ্টদি অসিগী মশা মউ ফবা ভলন্টিয়রশিংদা উবা ফংখিবা ইফেক্টশিং অসি হান্ননা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবা নৎত্রগা দাইবেটিস নারবা মীওইশিংদদি হেন্না ময়েক শেংনা উবা ফংবা য়াই।

ষ্টদি অসিগী খ্বাইদগী ইন্টরেষ্টিং ওইবা ৱাফমদি চাক্লেন থেঙনা চাবা মতমদা মীওই খুদিংমক চপ মান্নবা মওংদা রিএক্ট তৌদবগী ফিভম রিসার্চরশিংনা থেংনখিবা অসিনি।

জুননা হায়, নুমিদাংগী চাক্লেন থেঙনা পীজবদা হান্নদগী ঙন্না তূম্বগী হৈনবী লৈবা মীওইশিংদনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লম্মী। য়াম্না থেঙনা হায়বদি নোংঙাল্লমদাইগী পুঙ ২ নৎত্রগা ৩ ফাওবগী চাংদা থেঙনা চাবা-থকপা মীওইশিংদদি মখোয়গী চাবগী মতম হোংদোকপা অদুদা থোইদোক্না অকায়বা থোকপা উখিদে। মরম অদুনা ষ্টদি অসিদা থেংনরিবা অসি মীপুম খুদিংমক্কীনি হায়বা য়াদ্রি। নুমিদাংগী চাক্লেন থেঙনা চাবা অসিনা মীওই খরদদি হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইহল্লি অদুগা মীওই খরদনা থোইদোক্না অকায়বা থোকহনখিদে হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

জুননা হায়, হীরম অসিদা চংখিবা মমাঙগী ষ্টদিশিংদগীদি হন্দক্কী ষ্টদি অসিনা য়াম্না মমুৎ তাবা হেল্লি। পার্টিসিপেন্টশিংনা এক্টিবিটি ট্রেকর শীজিন্নৈ, ঈগী সেম্পল লৌই, স্লিপ ষ্টদি অমসুং বোদি ফেট স্কেনশিং তৌই, অমদি ফেট মেটাবোলিজম ওন্নবা নোনরেদিওএক্টিব মার্করশিং য়াওবা চীঞ্জাক চাহল্লি।

ভিল্লানোভা য়ুনিভর্সিটি এম. লুৱিস ফিৎজপেট্রিক কোলেজ ওফ নর্সিংদা মেকদোনাল্ড সেন্টর ফোর ওবেসিটি প্রিভেন্সন এন্দ এদ্যুকেসনগী প্রোগ্রাম মেনেজর লিসা কে. দাইৱাল্ডনা হায়, ষ্টদি অসি হকচাংগী অরূম্বা চপ চাবা, নহা ওইরিবা এদল্ডশিংদা চথবা ওইরবসু, মসিনা ঐখোয়দা চাবা থকপগী মতাংদা কান্নরবা ইনফোর্মেসন খরা পী। চাবা থকপগী মরমদা হান্ননা খঙলবা ফেক্টরশিং, হায়বদি চীঞ্জাক্কী মচল অমদি য়াম্বগী চাংখক নত্তনা চাবগী মতমসু য়াওনা কোনশিনবা চাবা-থকপগী হৈনবী অমা শেমগৎপনা দাইবেটিস অমদি হার্টকী লায়নাগুম্বা কুম পুগদবা লায়নাশিংগী রিস্ক হন্থহনবদা মতেং পাংবা য়াই হায়বা নিংশিংহন্নবা মচাক অমা ষ্টদি অসিনা পী হায়নসু দাইৱাল্ডনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

ভিক্টর লুৱাং, ইরেংবন্দ মাইরেনবন্দ

মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অসিগী মতাংদদি করিমত্তা হায়নিংবা ফাওদ্রে। মরমদি লৈবাক মীয়াম্না খঞ্জরম্বগা মখোয়না তৌথোরকপগা য়াম্না থীনা খেন্নবা হায়বদু ওইরে। লুচিংবা হায়বসিদি মশাগী খন্দনা লৈবাক মীয়ামগী খনফম থোকপনি। অসুক ৱানরবা মতম অসিদা ফম ফংহৌদবা য়াদে হায়না তৌনরিবা ফীভম অসি তশেংনা নুংঙাইতবা ফাওই। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ক্বারন্টিন সেন্টর কয়া হাংদুনা লৈরিবা অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা অমদি লৈবাক মীয়াম্না থোইনা কোভিদ-১৯বু কিনিংঙাই ওইদে। হকচাং ফনবা হোৎনবা অমদি হকচাং শাজেল তৌদুনা দোক্তরশিংনা পীরিবা গাইদলাইন অমদি হীদাক-লাংথক মপুং ফানা চারবদি য়াম্না লায়না ফবা ঙম্বা লায়ননি। মরমদি ইশামকসু হৌজিক-হৌজিক ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীশক অমনি। মরম অদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি থোইনা লায়না অসি কিনিংঙাই ওইদে। শুপ্নগী মতম খরা ৱারবসু ৱানা খঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই। ৱাখল হায়বসিসু য়াম্না লুবা পোৎশক অমনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়দুনা ৱাখল শোম্থনিংঙাই করিসু লৈতে। ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবা অমদি লায়না অসি মখা তানা মীয়ামদা শন্দোক্তনবা হোৎনবা অদুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌবা হায়বদু ওইগনি।

অঙৌতোন খুমন, নুংব্রং অৱাং লৈকায়

হৌজিক-হৌজিকমক ক্লাস এলেভেনগী এদমিসন তৌবগী য়াম্না কন্না চেন্নরিবা মতমনি। এদমিসন তৌবদা তঙাইফদনা চঙলিবা ও বি সী, এস সী অমদি এস টিগী সর্টিফিকেট লৌনবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিংনা অদুক্কী মতিক ৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। হায়রিবা সর্টিফিকেটশিং অসি লৌনবা হোৎনবদা খাজনা থীবা মথৌ তাই। মহৈরোয়শিংনা খাজনা থীদুনা সর্টিফিকেট লৌনবা হোৎনবদা খাজনা থীগদৌরিবা অমদি সর্টিফিকেট লৌগদবা ওফিসশিংদা ষ্টাফ শুনা কারক্তবনা মরম ওইদুনা চাউনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু। অমরোমদা লমদম অসিদা হাংদুনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু নেগেটিভ ওইরে হায়না হেক্তা য়াম্না থুনা চপ-চাবা অমা খঙদ্রিঙৈদা থাদোকপিবা অসি তৌবিগনু। ঙসি-ঙসিমক শিংজমৈ অমদি উখ্রুলদা নেগেটিভ ওইরে হায়না চৎহনখ্রবা মতুংদা অমুক পোজিটিভ ওইবগী থৌদোক কয়া থোরক্লি। করিগুম্বা মীওইশিং অদুনা অতোপ্পা মীওইদা শন্দোরক্লবদি লৈবাক অসি কা হেন্না ৱাবা ওইরগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

দিভলপমেন্টতা শোথরি হায়বগীদমক এক্সপেল তৌবা য়ানিংদে : য়ু দি ও

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লিলোং কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফাইনান্স সেক্রেটরি এন্দ সোসল এন্দ কলচরেল সেক্রেটরি, বোইস কম্মন রুম সেক্রেটরিনা কোলেজ অসি দিভলপমেন্ট তৌহনবীয়ু হায়রুবগীদমক য়ুনিয়ন্দগী এক্সপেল তৌবা লাইবক থীবনি হায়না য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লিলোং কোলেজ অসি দিভলপমেন্টতা শোথরে হায়বসি মীয়াম্না উনরিবনি। কোলেজ অসি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি এদ্যুকেসনল ওইবা হীরম কয়াদা অতৈ কোলেজ দগী শোথনা লৈরি। দিভলপমেন্ট তৌনবা হায়বদা য়ুনিয়ন্দগী এক্সপেল তৌবা হায়বসি লাইবক থীবনি। য়ুনিয়নগী মীওইশিংনা কোলেজগী প্রিন্সিপালগী মায়োক্তা হায়রক্লিবা ৱাফমশিং অসি অচুম-অরান থিদনা য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অমদি প্রিন্সিপালনা য়ুনিয়নদগী এক্সপেল তৌবা হায়বসি চুমদে। ৱাফম অসি তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী খল্লগা হায়রকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা খল্লগা থবক তৌরিব্রা : সুক

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা খল্লগা থবক তৌরিব্রা নৎত্রগা তৌদবা য়াদবগী মওংদা তৌরিব্রা হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী সেক্রেটরি তরুন খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা এদ্যুকেসন সেক্তরদা চাউনা অকায়বা পীরক্লি। মতম অসিদা লৈঙাক্কী মখাদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা তৌদবা য়াদবগী মওংদা মখোয়গী নুংঙাইনবা মওংদা তৌরকপসি লাইবক থীবনি। কোভিদ-১৯গী লুরবা তাঞ্জা অসিদা মহৈরোয়শিংসু চহী মাঙবা য়াদে। লাইরিক তমদবা য়াদে হায়না লৈঙাক্ন । খঙবীদুনা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা পাঙথোক্লিবা এদমিসন প্রোসেস অসি য়েংশিনবীনবা লৈতবা থবক কোম্নবা মওংদা মহৈরোয়শিংগী খন্দনা পাঙথোকপা এদমিসন প্রোসেসনি।

ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন দা চাদা ৪৫ নৎত্রগা চাদা ৫০ ফংদুনা পাস তৌবা মহৈরোয়শিংনা লৈঙাক্কী খরা ফবা স্কুলশিংদা তম্নবা হোৎনরি। ফোর্ম অনী থাজিনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ খঙদবা স্কুল অমখক্তংদা ফোর্ম থাজিল্লুবা অদুবু স্কুলদুনা লেপ্পকপা কট ওফ মার্কতি শুদ্রবা লায়রবা ইমুংগী ৱানা হোৎনরিবা মহৈরোয় কয়াদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এদমিসন প্রোসেসনা মরম ওইরগা লাইরিক তম্বা তোকপগী ফীভমদা লাক্লে। ফোর্ম থাজিল্লিবা স্কুল অদুদা অদুম্মক অতোপ্পা ষ্ট্রিম ওল্লগা তম্বা য়াবগী খুদোংচাবসু পীবীদ্রে। থাজিল্লুরিবা স্কুল অদুদা মার্ক শুদ্রে, অতোপ্পা লৈঙাক্কী স্কুল অমদা ওইনা তম্বা য়াবগী খুদোংচাবসু পীবীদ্রে। স্কুল অমখক্তদা থাজিল্লুবা মার্ক শুদবা মহৈরোয়শিংদি কদায়দা তমগদৌরি। লাইরিক তম্বা তোক্কদৌরিব্রা হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

'অপূনবগী পাঙ্গল লৈরবা মতমদা ফংগনি'

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ফংফম থোকপা রাইটশিং অপূনবগী পাঙ্গল লৈরবা মতমদা ফংগনি হায়না লিদরশিপ কাউন্সীল ওফ থাঙ-তাগী কনভিনরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঐখোয়গী চপ চাবা কলচর, ট্রেদিসন, ঙমখৈ অমদি লৈঙাক্লোন চপ চানা লৈ। মীওই খরনা শেল ফংনবা অরাইবা লম্বী থিরক্তুনা চোংথোক-চোংশিন তৌরিবসি লৈবাক অসিগী ট্রেদিসন অমসুং কলচরেল ভেল্যু লৈখা তারকপগী খুদম অমনি। অপূনবগী পাঙ্গল লৈরবা মতমদা রাইটশিং ফংগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

দিমান্দ কয়া পুখৎলদুনা সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা চথগদবা প্রোটেষ্ট মীটিং হৌদোকখ্রে : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): দিমান্দ কয়া পুখৎলদুনা সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা চথগদবা প্রোটেষ্ট মীটিং হৌদোকখ্রে হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দিয়া পুম্বগী প্রোটেষ্ট দেগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর লৌমী লূপ অমসুং শিলং লৌমী লূপনা শীন্দুনা ইরাবত ভবন ইম্ফালদা প্রোটেষ্ট মীটিং অমা কোভিদ-১৯গী কাঙলোন ঙাক্না ফমখি। প্রোটেষ্ট মীটিং অদুদা এল সোটিনকুমার, মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন সিংহজিৎ, ৱাক্সিং প্রসিদেন্ট এস নিলকমল, মণিপুর শিলং লৌমী লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাধা অমদি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি শান্তানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

প্রোটেষ্ট মীটিং অসিদা পুখৎখিবা দিমান্দশিংদি চয়েৎনরবা লৌমীশিংবু শীংনবা ওর্দিনান্স খুদক্তা হন্দোকউ, পাট্টা পায়দবা লৌ শাল্লগা উবা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার মপুং ফানা ফংহল্লু, এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক শুবগী নুমীৎ ২০০ দা লেপ্পুনা নোংমগী খুৎশুমল লুপা ২০২দগী লুপা ৬০০ তা হেনগৎলু। দিজল অমদি পেট্রোলগী মমল হেনগৎপা থিংউ, শেন্থোক নেম্বা ইমুংশিং চিংখদনা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ত মপুং ফানা ফংহল্লু। ইথাই দাম লৌথোক্তুনা লোক্তাক কল্লু, কম্পেন্সেসন পীয়ু, ঈথৈ-লৌখোং নীংথিনা শেম্মু, লৌমী অমদি শিলং লৌমীশিং রেজিষ্টর তৌহল্লু, চহী ৬০ হেল্লবা থবক শুবা ঙমদ্রবশিংদা থাগী পেন্সন লুপা লিশিং ১০ পীয়ু। কোভিদ-১৯ লাইচৎ থিংনবা হোৎনরিবশিংদা লেম্না অনা-লায়েংবগা লোয়ননা চহী ১৪ ফাওবগী অঙাংশিং মহৈ তমহল্লু। লৌমী মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্নবা খোঙজং কয়াসু চথগনি হায়বা অসিনি। সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা ৩শুবা ফেজগী ওইনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ডা. জামিনিদা লান্থোকখ্রে, শেল লুপা লিশিং ১০ য়াওরি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): সাহিত্য থৌপাং লূপনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড বুক দেগা মরী লৈননা পীবা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ডা. চোংথাম জামিনিদা লান্থোকখ্রে।

চঙাঙ্গৈ উচেক্কোন্দা লৈবা আশ্রমদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা এৱার্দ অসি লৈখিদ্রবা হৈস্নাম বসন্তগী লোয়নবী হৈস্নাম ওংবী সনাতোম্বীনা খুৎশিন্নখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, লেংয়ান অমদি সাইটেসন য়াওরি।

থৌরম অদুদা সাহিত্য থৌপাং লূপকী এদভাইজর শরতচান্দ থিয়ামনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, হৈস্নাম বসন্তকুমারগী মনা অসি চহী খূদিংগী ওইনা ৱর্ল্ড বুক দে থৌরমদা লান্থোকপনি। অদুবু কোরোনা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা থৌরম পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখিবনি। কুমজা ২০২০গী মনা পীনবগীদমক ডা. চোংথাম জামিনি হান্ননা লাউথোকখ্রবনি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মনা অসি পীবা ঙমদনা লাক্লবা মতুংদা ঙসি খুৎশিন্নবনি। মতম খরা কুইশিল্লকপা অসিনা এৱার্দ ফংগদবা মীওইদসু নুংঙাইতবা লৈরমগনি খনবদগী য়ুমদা চৎলগা পীনবা ৱারেপ লৌদুনা ওজা জামিনিগী য়ুমদা পীবনি হায়খি।

রিমস হোস্পিটালদা ভলন্টিয়রশিংনা ঈ য়ুনিট ১১৯ মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): রাষ্ট্রিয়া স্বয়ম সেবক সংঘ (আর এস এস) মণিপুর প্রান্টকী লমজিং মখাদা সেবা ভারতি মণিপুর অমদি নেসনল মেদিকো ওর্গনাইজেসনগী ভলন্টিয়রশিংনা রিমস হোস্পিটালদা ঈ য়ুনিট ১১৯ মতেং পাংখ্রে।

ঈ পীবগী থৌরম অদুদা প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর কে প্রেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী নীংতম্নবগী অহানবা লান নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ঈ পীবগী থৌরম অসি রিমসতা মে ১০ দা হৌদোকখি। জুন ৭তা লোইশিনখ্রবা মতুং হৌজিক কোভিদ-১৯গী লোকদাউন অসি য়েংলগা জুন ২১দগী মখা চথরক্তুনা ঈ পীবনি। ঈ য়ুনিট ১০০ পীবগী পান্দম থম্বদা ঙসি য়ুনিট ১১৯ মীয়ামগীদমক মতেং পাংবা ঙম্লে। রিমস হোস্পিটালদা ঈ কৎলিবসি মীয়ামগীদমক্তনি।

ঐখোয় পুম্নমক অমত্তনি। ইমা অমত্তগী মচানি। ঐখোয় মশেল অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঈ পীবগী থবক অসি চথবনি। কনাগুম্বা অমগী থৱায় কন্নবা ঈগী তঙাইফদবা লাকপা মতমদা মতেং পীবা ঙম্নবা হোৎনবনি। খুন্নাই অসিনা অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সোলর লেম্প পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ১০শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী চসাদ বট্টালিয়ন্না কামজোং ক্বারন্টিন সেন্টরদা সোলর লেম্প পীখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মপান ষ্টেট কয়াদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওইশিং হন্নরক্লি। কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী মীওইশিংসু হল্লক্তুনা দিষ্ট্রিক্ত অসিদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মফম অসিদা মৈগী খুদোংচানবগীদমক সোলর লেম্প অসি খুৎশিন্নখিবনি। কামজোং ক্বারন্টিন সেন্টরদা চসাদ বট্টালিয়নগী মায়কৈদগী সোলর লেম্প ৫০ খুৎশিন্নখি হায়নসু মখা তারি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৭।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা; নুংথিল পুং ৩.৪৮ ফাওবা ইঙেলগী ২৩ নি পাল্লি।

মেষ : থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি। অঙম্বনা চানবীবা অমদি লৌশিং চাউবনা নচা-ননাই ফংজবা লৈগনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : লাইবক ফবা, য়েক্নবা লৈরম্লসু মাঙখিবা অমদি হরাওবা নুংঙাইবা ফংজনি। অনম-তানবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌরদি লেংদবা লন মাঙবা য়াবা লৈ। নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - হান্নগুম মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : থাজদনা নক্নবনা কোক শাহনবা অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবসু ঙমদবা নুমিৎনি। শেল-থুম অমদি অকল-অথৌগী লম্দদি চাউনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনম তানগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : থেংলপ্পা মীপাইরম্বা কোকচগনি অমদি শেন্দোং তানবগী লম্দা চাউনা মায় পাক্কনি। নিংথিনা পোরম য়াৎহৌরো। থিজিনবা ৱাৎলদি পূক্নিং নুংশিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাংতক্নগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : চরাংনবনা মাঙজবতা নত্তনা নথক থোংবগা মুক্নবা য়াবসু লৈ। থাজদনা ওইজ-ওইথক খরাসু শোয়দনা ফংগনি অমদি লৌশিং ফুদোক্না পাংবা খুদিং কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : অয়ুক্তা নীংবা থুংবা অমদি য়াম্না কান্নগদবা খোঙশাল লৈ। অনীংবা থবক পাংবদা মীকোক থোংগনি অমদি অঙম-অথৌনা চানবীগনি। মীয়াম্না থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা : নীংজবা থুংগনি, ওইজবা তানবদা মায় পাক্কনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। থৌনা হন্দবনা কান্নবা হেন্না ফংগনি অমদি য়েক্নববু ঙমজ-গনি। ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : থেংলপ্পা লাইবক ফবা লাক্কনি অমদি হোয়া ফবগীসু কান্নবা ফংগনি। মরুপ-মপাং অমদি শাগৈনা চানবীগনি। থিজিনবা কনবনা য়েৎনগদবদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী খরা ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : মতম মাঙদনবা চরাংগনু, অঙম্বনা চানীদে-অঙক কনগনু, ইমুং-মনুংদা মহু চাওবনা মীনু চংদনবা পংথগনু, লৌশিং চাউবগী ৱা তাও। অরুবা থবক পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা ৱা ঙাঙউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

মকর : অয়ুক্তদি মায় পাক্কনি, মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি, থৌনা ফুদোকপা মতাং চাই, নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিনবা কান্নগনি। থেংলদি অফবা খোঙশাল লৈতে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা : থেংলপ্পা মায় পাকচগনি অমদি য়েক্নবা লৈরম্লসু নমহৎপা ঙমগনি। অফা অপুন্নবা, চোপ্পা অমদি অরং-অরাক মাঙবা য়াবদৈ চেকশিল্লু। লৌশিংনা পাম্বৈ ওইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফত্তে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন : অয়ুক্তা চাউনা মায় পাক্কনি, লল্লোন-ইতিক কান্নগনি অমদি মীচং লৈগনি। হৈশিংবা শারদি থবক পনগনি অমদি নোল্লুক্লা চৎত্রদি মরুপ কায়নবা য়াবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মহু চাওবদৈ চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।